# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.220 | থাংজ, হিয়াঙ্গৈগী থানিল | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, November 04, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


দিপার্টমেন্ট ওফ বি বি এ, দি এম কোলেজ ওফ কম্মর্সনা শিন্দুনা দি এম কোলেজ কেম্পসতা সিন-লং ফেষ্ট ২০১৭কী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা


লামায় ১

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজনা শীন্দুনা ন্যু দিল্লিদা চথরিবা ৱর্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া কোংগ্রেসতা হাংবা মণিপুরগী ষ্টোল অমা


লামায় ১

কেরালাদা কম্যুনিষ্টশিংনা মীওই কয়া হাৎলি হায়বা মরাল শীরদুনা থৌদোকশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙ-দোক্তুনা এ বি ভী পিনা প্রোটেষ্ট তৌবা


লামায় ৩

মৈতৈ/মীতৈ অসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইফম থোক্তে হায়না ফোঙদোক্লিবা প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্বেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম)গী মেম্বরশিং


লামায় ১

## থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৬৭.৬৭
**দীজল :** লিটরদা লুপা ৫৬.২৯

## গভর্নরনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএন এস) :
গুরু নানক্কী মপোক নুমিৎ লাকপদা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা ষ্টেট অসিগী মীয়াম, মরুওইনা সিখ ফুরুপকী মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।
গভর্নরনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, গুরু নানক দেবনা নুংশিনবা, অখাং কনবা অমসুং তোল্ল-তারবশিংদা থৌজালগী মীৎয়েং য়েংবীবগী ময়েক শেংলবা খুদম ওইরি।
গুরু নানককী পাউতাক্লা কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা মীওই কয়াদা পুক্লিং ঈথিল পীরি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুম্নমক্না মহাক্কী মমল য়াম্লবা পাউতাকশিং ইনবা ঙম্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নরসি। য়াইফরবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা নুংশিবগী পাউজেল শন্দোকপগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌরমিন্নরসি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 75.2409 |
| US Dollar | 64.486753 |
| British Pound | 84.464071 |
| Australian Dollar | 49.533527 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.743327 |
| Japanese Yen | 0.566597 |
| Malaysian Ringgit | 15.241677 |
| Norwegian Krone | 7.925484 |
| Singapore Dollar | 47.426517 |
| South Korean Won | 0.057924 |
| Swedish Krona | 7.672703 |
| Turkish Lira | 16.734747 |
| Myanmar Kyat | 0.04762 |
| Bangladesh Taka | 0.77706 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 29786.10 |
| Mumbai | – | Rs 30695.19 |
| Delhi | – | Rs 30213.90 |
| Kolkata | – | Rs 30887.70 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৩.৬৭ °C | ১৪.২৬ °C |
| চান্দেল | ২৬.৮৯ °C | ১৫.১৪ °C |
| সীসীপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| ইম্ফাল | ২৪.৪৪ °C | ১৪.১৬ °C |
| সেনাপতি | ২৩.০৪ °C | ১১.৮৮ °C |
| তমেংলোং | এন এ °C | এন এ °C |
| থৌবাল | ২৪.৭৬ °C | ১৩.৪৮ °C |
| উখ্রুল | ২০.৭০ °C | ১২.৩৯ °C |
| মণিপুর | ২৬.৮৯ °C | ১১.৮৮ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৩
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## HL POLL

**Q : Drugta laichurabasing minungshiga loinana mahousagi punshida hanjinhanbagi wafam yaningbra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Leingakna NPF ki matangda ashengba firep miyamda khanghanfam thok-e haina khanbra?**

Yes 92% No 08%

## অস! লোইরেহে!

নুপীশিং শাফবা মফমশিংগী মনুংদা মণিপুর য়াওরেহে...!



মৌ মাঙবসিদি শাফবা চিংব্রা...?

# ওপোজিসন্দা লৈবা পার্টি ১০না ব্লেক দেগী থৌরম শরুক য়াগনি : গোবিন্দাস কোন্থৌজম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :
দিমোনেটাইজেসন চৎনবা হৌখিবা নুমিৎপু ব্লেক দেনি হায়না মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ১০না শীন্দুনা থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইরে হায়না পোলিটিকেল পার্টি ১০ না শেমখিবা ওল পোলিটিকেল পার্টি ওবজার্বেসন কম্মিটি এগেনষ্ট দিমোনেটাইজেসনগী চ্যেরমেন গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।




কোংগ্রেস ভবন্দা ঙসি পাউমীশিংগা উনখিবদা ওবজার্বেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন গোবিন্দাসনা হায়খি, ইন্দিয়াদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা দিমোনেটাইজেসন তৌখিবদগী অৱা চৈথেং কয়া নংহল্লি। দিমোনেটাইজেসন চৎনখিবা নবেম্বর ৮ অসিদা ইন্দিয়া পুম্বদা ব্লেক দে পাঙথোক্লগদৌরি। মণিপুরদসু তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল ১০ মথংশিংনা আই এন সী, আর এস পি, এ আই এফ দি, বি এস পি, সী পি আই, এ এ পি, সী পি এম, এন সী পি, এ আই টি সী, জে দি এসনা পুন্না শেমখিবা ওবজার্বেসন কম্মিটি অসিনা থা অসিগী ৮ দা ব্লেক দেগী রেল্লি অমসুং মীফম পাঙথোক্লবা শেম-শারে।

রেল্লি অসি কোংগ্রেস ভবন্দগী হৌরগা ইম্ফালগী মরু ওইবা মফম কয়াদা চৎলবা মতুংদা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা থুংলগা মফমদুদা মীফম পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা অখণ্ড-অহৈ কয়ানা দিমোনেটাইজেসন্না শোকহল্লিবা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙগনি।

রেল্লি অসিগীদমক শেম-শাবা অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। প্লে-কার্দ অমদি বেন্নর কয়া পায়দুনা রেল্লি অসি চৎকনি। রেল্লি মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিনা দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনগনি।

দিমোনেটাইজেসন হেক তৌখিবা মতুংদা লৈবাক অসিদা মীওই ১০০ গী মথক্তা শিবা লৈখ্রে। লৈবাক অসিগী ওইনা শেল-থুমগী ফীভমদা অৱা চৈথেং কয়াসু নংহনখি। অসিগুম্বা ফীভম অসি লৈবাক অসিদা মখা তানা চথদুনা লৈরবদি হেন্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরগনি। তুংলমচৎকী য়েংলগা অমত্তা ওইনা খন্নমিন্নবা চঙই। অসিগুম্লবা মীফম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ওবজার্বেসন কম্মিটিগী কনভিনর ওইরিবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৮দা দিমোনেটাইজেসন তৌখিবা অসিনা অৱাবা কয়া নংহল্লে। অখণ্ড-অহৈ অমদি ইন্টিলেকচুয়েল কয়ানা দিমোনেটাইজেসন্না শোকহল্লিবা কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হেক হৌরকপা মতমদা মপান্দা লৈরিবা ব্লেক মণিশিং ইন্দিয়াদা পুরক্কনি হায়না লাউখিবা লৈ। অদুবু ব্লেক মণি পুরক্কনি হায়না লাউখিবা অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। লৈবাক অসিগী শেঞ্জাও পায়বা...মখা লামায় ৩ কলম ১

# সুপ্রিম কোর্টনা আধার এক্টকী কন্সটিট্যুসনেল ভেলিদিটি হংখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী) :
আধার এক্টকী কন্সটিট্যুসনেল ভেলিদিটি লোয়ননা মোবাইল নম্বর অমসুং বেঙ্ক একাউন্টশিং আধার নম্বরগা লিঙ্ক তৌহনবগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন মরিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী পাউখুম কৌখ্রে।

আধারগা মরী লৈনবা ৱাফম পুম্নমক অতোপ্পা বেঞ্চ অমনা থা অসিগী লোইশিল্লকপদা হিয়ারিং চথনবা থৌরাং তৌবগা লোয়ননা সেন্টরনা দিসেম্বর ৩১ ফাওবা আধার অমদি বেঙ্ক একাউন্ট লিঙ্ক তৌহনবগী মতম শাংদোকখিবা মরম্না এপেক্স কোর্টনা ঙসি মরক্কী ওইবা ৱায়েল অমত্তা পীখিদে।

অদুম ওইনমক জষ্টিস এ কে সিক্রি অমসুং জষ্টিস অশোক ভুষণগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, বেঙ্ক অমসুং টেলিকোম সার্বিস প্রোভাইদরশিংনা আধারগা বেঙ্ক একাউন্ট অমদি মোবাইল নম্বরশিংগা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা নুমিৎ কষ্টমরশিংদা মেসেজ থাদুনা খঙহনগদবনি।

পিটিসনর অমগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট শ্যাম দিবাননা হায়খি মদুদি, সেন্টরনা হন্দক্তা ফাইল তৌখিবা এফিদেবিট অমদা আধারগা লিঙ্ক তৌহনবগী অরোইবা মতম মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা শাংদোক্লবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

মতাং অদুদা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, পিটিসনরশিংনা নবেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা আধারগা মরী লৈনবা ৱাফম পুম্নমক হিয়ারিং চথবা মতমদা ৱাফম অসি পুখৎপা য়াগনি।

কন্সটিট্যুসন বেঞ্চ অমা শেমদুনা নবেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা আধারগা মরী লৈনবা পিটিসন পুম্নমক হিয়ারিং চথরগনি হায়না ওক্টোবর ৩০দা চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা ফোঙদোকখিবনি।

গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ৱেলফেয়র স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক আধার কার্দপু তঙাইফদবা মচাক অমা ওইহনবগী...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ৱর্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া কোংগ্রেসতা মণিপুরগী উমোরোকনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএন এস) :
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ ফাওবা নুমিৎ ৩নি চুপ্পা চথগদবা ৱর্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া কোংগ্রেস ২০১৭ ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দিল্লিগী বিজ্ঞান ভবন্দা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া কোংগ্রেসতা মণিপুরগী ওইনা হাংলিবা অনন তখেল্লম্বমগী উমোরোকনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমখ্রে। মীওই কয়ানা উমোরোক অসিবু অঙকপগা লোয়ননা য়েংনখি হায়রি।

মালেমগী লৈবাক ৩০ রোম অমদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২৮দগী মীওই ২০০০ অমদি কম্পেনি ২০০ রোমগী সী ঈ ওশিং বিজিনেস ইনভেষ্টরশিংনা হায়রিবা ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়ারি।

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা থৌরম অসিদা মণিপুরগী ষ্টোলদা ওন্ট্রাপ্রেন্যুর কয়া অমসু শরুক য়ারি। মখোয়গী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংদম খুলদগী অনন তখেল্লম্বমগী উমোরোক ৱর্ল্ডগী ওইনা লাক্লরিবা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিল্লি হায়না দিল্লিগী পাউমী অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদগী শরুক য়ারিবা ওন্ট্রাপ্রেন্যুরশিংদুদি অনন তখেল্লম্বমগী উমোরোক, মৈরা ফুদ, কংলৈপাক স্পাইসিস, তরেৎ ফুদ, মুমু ফুদ, মোমস কংলা ফুদ, লিক্লা, হেপ্পি ৱাটর, মচি ফুদ, সির্কা ফুদ, ইরৈমা ফার্মর প্রদ্যুসর কম্পেনিনি।

মণিপুরগী শরুক য়ারিবশিংনা মালেমগী মীয়ামদা ইরমদম অসিগী পোথোকশিং উত্তুনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিল্লি। মণিপুরদগী শরুক য়ারিবশিংগী মনুংদা অনন তখেল্লম্বম, মচি ফুদ অমদি মৈরা ফুদ অসিনা এন ঈ আর এ এম এ সীগী মখাদা অচঙবা শেল পূম্নমক পুথোক্তুনা ময়ামদা শক্তাকপনি। অতৈ অতোপ্পশিংদুনা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, এগ্রীকলচর অমদি হোর্টিকলচরগী মখাদা শরুক য়াবনি হায়রি।

# মৈ মেগাৱাট ১ পুথোক্লবা হোৎনরি : ওপরেসন মেনেজর

বিজয় লাইশ্রম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩(ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদেংগী লোকচাওদা লৈবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টতা কম্পোষ্ট হার মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুংদা হৌজিক মৈ মেগাৱাট অমা পুথোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়না প্লান্ট অসিগী ওপরেসন মেনেজর আর কে মধুজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি পাউচে অসিগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মণিপুর লৈঙাক্কী মাহুদ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট অসিদগী কম্পোষ্ট হার ইহান হান্না পুথোকখিবসি কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর থাদনি। হায়দ্রাবাদকী রামকি কৌবা কম্পেনি অমনা প্লান্ট অসি চলায়বা হৌরকখিবনি। অনীরকশুবা টর্ম ওইনা মতম খরা জুন-জুলাই থাদা মাহুদ দিপার্টমেন্টনা থবক অসি পায়খৎলম্মী। মদুগী মতুংদা গুজরাটকী অহমেদবাদতা লৈবা এনোভেটিব ইকো ক্যেয়র থর্মোটেক সিষ্টেম লিমিটেদনা মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৬ তগী কম্পোষ্ট হার অসি মখা তানা অমুক পুথোকপা হৌখি।

মফম অসিদা হৌজিক পুন্না শিন্মী নিপান অমদি ষ্টাফ ১৯ থবক শুরি। প্লান্ট অসিগী কেপাসিটিনা টন ১০০ নি। কম্পেনি অসিগা মণিপুর লৈঙাক্লা এম ও য়ু সাইন তৌনখিবগী মতুং ইন্না নোংমদা অমোৎ-অকায় টন ৬০ গী চাংদা মাঙহন্নবা থবক লৌখৎপা হৌখি। প্লান্ট অসিদগী পুথোরকপা হার অসি পিশুমথোংদা লৈবা এ-১ এগ্রো প্রাইভেট মার্কেটিংনা চহী ১গী কন্ট্রেক্টতা পুল্লপ ওইনা লৈরগা কে জি অমদা লুপা ৮গী চাংদা নোংইন বাইও কম্পোষ্ট হায়না মিং থোন্দুনা মীয়ামদা ফংহল্লি। লমদেং মখা লৈকায়, অৱাং লৈকায় অমদি ময়াই লৈকায়গী ফার্মরশিংনা বাইও কম্পোষ্ট হার অসি লৈবা মতমদদি চাদা ৫০ দিস্কাউন্ট পী হায়রি।

হৌজিক প্লান্ট অসিদা নোংমদা দিজল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ফোরেনরশিংগী নমথাক্কী লাংদা নোর্থ ইষ্টকী নুপী কয়া থুরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :
লন্নাই মীওই কয়াগী মোবাইল ফোন্দা মেসেজ থাজিন্দুনা লুপা ক্রোর কয়াগী লোটরি ফাওরে হায়জিন্দুনা নমথাক তৌরগা শেল তানবা মীওইশিংগী মনুংদা নোর্থ ইষ্টকী নুপী কয়ামরুম চেন্নৈ হায়না দিল্লিগী জোইন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস আই জি পি রোবিন হিবু আই পি এসনা খঙহল্লক্লি।

ঙসি ক্রাইম ব্রাঞ্চকী টোপ ওফিসলশিংগী রিভিয়ু মীফম অমদা য়ানখিবা নৎত্রগা ফোঙদোক্লখিবা ৱারোল কয়া পল্লদুনা থাদোরকপা জোইন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিসকী চেরোল অমগী মতুং ইন্না, হন্দক্তা অৱাং নোংপোক লমদমগী চমজরবা নুপীমচাশিংগী মায়োক্তা ইন্টরনেটতা যুম্ফম ওইবা নমথাক কয়া চথখি। অদুগুম্বা নমথাক অদু অয়াম্বনা নাইজিরিয়নশিং ওইবা ফোরেনর খরগী নেটৱার্ক অমনা চথখিবনি। নুপী ভিক্তিম কয়া অৱাং নোংপোক লমদমগী মনুং হঞ্জিনবা টাউনশিংদগী ওইরমখি অমসুং মখোয়না ঈমেলদা অমসুং ৱাটসএপকী খুত্থাংদা পুলিসকী মতেং নিরকখি।

রিভিয়ু মীফমদা দিল্লি পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চকী টোপ ওফিসলশিংনা...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# 'মৈতৈ/মীতৈ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইফম থোক্তে'

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈ অসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইফম থোক্তে হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্বেসন কম্মিটি মণিপুর (পি পি সী এম) গী কনভিনর নোংথোম্বম বিমোলনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা পি পি সী এমগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এন বিমোলনা হায়খি, ঙরাং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা পি পি সী এমগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমা পিশিনখি। মেমোরেন্দম অদুদা মৈতৈ/মীতৈ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইফম থোক্তে হায়বা য়াওরি।

মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈ হায়রিবা ঐখোয় অসি চৈথারোল কুম্বাবদগী য়েংলগা চহী ২০০০ হায়জরবসু চহী ২০০০ গী মমাঙ, চহী ৪০০০/৫০০০ গী মমাঙদগী মণিপুরদা নেসন অমগী থাক্তা লৈদুনা চাউখৎলবা মশাগী সিভিলাইজেসন লৈজবা ফুরুপ অমনি।

মালেমদা লৈরিবা চাউখৎলে হায়রিবা ফুরুপশিং অসিদগী তাদনা লাক্লবা কাঙলুপ ওইনা লৈরকপনা মরম ওইরগা ঙসি ঙসিমক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা লৈরিবা ক্রাইটরিয়া মঙা অদুগী মথক্তা হেন্দোক্লা মথক্তা লৈরবা ফুরুপ ওইবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা য়াওবা হায়বসি য়াওফম শুকথোক থোক্তে হায়বসি ঐখোয়গী ফীরেপনি।

মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌউ-শিংউদগী হৌরগা য়ুমশারোল, লোল, কলচর, ট্রেদিসন খূদিংমক মালেমদা লৈরিবা চাউখৎলে হায়রিবা ফুরুপশিংদগী তাদনা লৈরক্লবা ফুরুপনি। মশা-মশাগী লোল লৈজরবসু মীতৈ ময়েক হায়দুনা পুথোক্লগা মমাঙঙৈদগী হৌনা লৈজরক্লবা অমদি ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী ঈয়েক ওইনা লৈরিবনি। মালেমগী মনুংদা ময়েক লৈবা ফুরুপ হায়বসি মশিং থিবা ৱারিবনি।

লাইনিং লম্বীদা মৈতৈশিংনা হিন্দু লাইনিং ওন্দ্রিঙৈদা সনামহী লাইনিং চৎলিবা লাইনিং অসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন মনুংদা য়াওরিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওইনা...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# এ এফ সী অন্দর-১৯গী ইন্দিয়ন টিম খনবদা মণিপুরদগী ৯ য়াওরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :
সাউদি অরাবিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা এ এফ সী অন্দর-১৯ চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়রগী ইন্দিয়ন টিম খনবদা মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোয় মাপন য়াওরে হায়না ইন্দিয়ন এক্সপ্রেসতা রিপোর্ট তৌরি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপতা মণিপুরগী শান্নরোয় নিপান ইন্দিয়ন টিমদা য়াওদুনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখ্রবনি। এ এফ সী চেম্পিয়নশিপ ক্বালিফায়রগীদমক ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুগী মনুংদা গোল কিপর ধিরাজ মোইরাংথেম, অন্দর-১৭কী কেপ্টেন ওইখিবা অমর্জিৎ কিয়াম অমসুং ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখিবা জেক্সন য়াওরি। অতৈ শান্নরোয়শিং অদুগী মনুংদা নিংথৌঙম্বা মীতৈ, নোংদম্বা নাওরেম, রোসন সিংহ, বোরিশ সিংহ অমসুং সুরেশ সিংহ য়াওরি। ইন্দিয়ন টিমদা মিজোরামদগী ২ অমসুং সিক্কিমদগী ২ য়াওরি।


## 14th Death Anniversary Of (L) Baby Lungnila Elizabeth



**27th December 1995- 4th November, 2003**

2017 you are final year master degree. With you now gone ahead, we shall not fail you and to follow your ideals and your footsteps left behind on the sands of time. In God's own time we hope to meet.

HL-P/051/4 **Family & Relatives**


# শুনিংবা মীদি টায়রতা খুল্লগা কান্নবা পোৎলম শাদুনা ইমুং-মনুং পুরি

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) :
মণিপুরদা ইন্দষ্ট্রি অমসুং ফেক্টরিনচিংবা লৈত্রগসু শুনিংবা নোম্লিংবা মীদি টয়ারদা খুল্লগা কান্নবা পোৎলমশিং শাদুনা শেন্দাল লম্বী ওন্থোক্তুনা ইমুং পুরি।

হৌজিকসু লেপ্তুনা মীয়াম্না লৈগে হায়দুনা দিমান্দ তৌরিবা অমসুং কান্নরবা পোৎলম পুথোক্লিবা মীওই অমা পনবা তারগদি য়াইখোম রঞ্জনসু অমনি। মহাক খুরাই থাংজম লৈকায়দগীনি। মশাগী চহী ৩৮ লোম শুরে।

শীজিন্নবা য়াদ্রবা গাড়ীগী টায়রশিং মহাক্না খোমগৎলগা অনৌবা মখলগী দিজাইন তৌদুনা কান্নরবা পোৎলম কয়ামরুম শারি। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা গল্লা, বাল্টিন, ওকচাক হাপ্পবা পোৎ, লৈঙোই চাম্নবা, মোরা, লাইশঙ, চফুনচিংবা মমিং পনবা য়াই। কনাগুম্বা মীওইনা মখোয়না পাম্বা পোৎলমশিং টায়রনা শাবীয়ু হায়রগসু মহাক্না নীংথিনা শারগা পীখিবদগী অতৈ মীয়াম্নসু দিমান্দ তৌরকপা লৈখি। হৌজিক্তি মশক ফজহনবগা লোয়ননা দিজাইন কয়ামরুম শেম্লবা সোফা ফাওবা মহাক্না শারগা য়োল্লে।



হান্নদি সোফাদা স্প্রিং হাপ্লম্বদুগী মহুত্তা মহাক্না অনৌবা অমা ওইনা টায়রনা মহুৎ শীজিল্লে। মসিনা শীজিন্নবদসু নুংঙাইবা, মপাঙ্গলসু হেন্না কনহল্লে।

পাউচে অসিগা উনদুনা ৱারী শানবদা শিনফম অসিদা মায় পাক্লা থবক শুরিবা য়াইখোম রঞ্জননা হায়খি, মতম খরগী মমাঙদা য়েনশা কক্তুনা য়োনবগী থবক তৌরিবশিংনা মপান লমদগী চেল্লগা পুশিন্নরকপা য়েন মতু লৌথোক্লবা মেছিন অদু মহাক্কীদসু শারে। মহাক্কীদা শাবা মেছিন অসিনা মপাঙ্গল কনবা হেল্লি অমসুং মমল হোংই হায়দুনা য়েনশা ককপগী লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংনা পাম্না লৈনৈ।

টায়রনা শাবনি, মপাঙ্গল কনগনি হায়না ইচম চম্না শারগা য়োনবগী মহুত্তা হৌজিক্তি মীনা পাম্নবা মখল কয়াগী দিজাইনশিংসু তৌরগা পোৎলম কয়ামরুম শারে। মহাক্কীদা শাবা গল্লা মখলশিং হৌজিক্তি লৈতেং ওইনা পুথোকপা য়ারে। লৈ শেল্লগা য়োনবা অমসুং হৈ-লৈ থাবদা থৱায় য়াওজবা মীওই কয়ানা মহাক্কীদা শাবা গল্লাশিং মশীং য়াম্না লৈরি।

মহাক্না হায়খি, শিনফম অসি ঐহাক কনাগুম্বা অমদগী তম্লকপা লৈতে। অদুবু ঐহাক্কী অপোকপা গল্লা শাবগী থবক তৌই। মহাক্কী অপোকপনা গল্লা শাবগী মওং অদু য়েংলগা মহাক্না টায়রনা মহুৎ শিল্লগা শাবা হৌরকখিবনি। হৌজিক্তি মসিনা মহাক্কী পূন্সিগী শিনফম অমা ওইরে।

শিনফম অসিদা মায় পাক্লবগীদমক মহাক্না ময়াম্না শানরিবা টায়রগী পোৎলমশিংদগী হেন্না মপাঙ্গল কন্নবা মশক ...মখা লামায় ৩ কলম ২